ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



বিমোলা মেমোরিএল ইন্সটিট্যুটনা শিন্দুনা ষ্টেটকী থাক্তা ৱাখ্বৈ পুজা লম্পাক্কী ৱাই ভি ওগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ড্রোয়িং কম্পিটিশনদা মকোক মথং তারবশিংবু ইন্সটিট্যুট অসিগী ফাউন্দর সেক্রেটরিনা মনা য়েন্থোকখিবা

থাম্মোয় পাউদম : হায় স্কুলদগী প্রি-য়ুনিভর্সিতি ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ লৌমীশিংদা লান্না লৌ হীদাক য়ানশিন্নরগা ...
মোরোক পাম্বীদা অচৌবা চৈথেং পীরিবা লায়না... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ দিরেক্টর ওফ সেন্সস ওপরেশন অমদি রেজিষ্ট্রার...
জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী কথুৱাদা ক্লাউদবর্ষ্টনা মরম ওইরগা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ইন্সপয়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অমসুং...

কাংজম ৱাধাকুমারগী লাইরিক মরি ফোঙবা নুমিৎতা মহাক্কী লাইরিক 'নুংশি নাপ্পদা' দগী সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা দিরেক্সন পীদুনা ড্রামা ওইনা পুথোক্নুনা জে এন এম দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা উৎখিবা প্লেগী সিন অমা



Vol. 49, Issue No. 138 | নিংথৌকাবা, থৱানগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Monday, August 18, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### মণিপুর লৈঙাক্তি 'লায়ররবী ইমানি' হায়বদুগী ফীভমদা অদুমক লৈগদৌরিব্রা

# 'কির্ত্তি চক্র' পীরগনি লাউথোকখিবা কেপ্তেন লালরিনোমা দদি মিজোরাম লৈঙাক্না লুপা লাখ ১০ পীরগনি লাউথোকখ্রে

### 'বির চক্র' পীরগনি লাউথোকখ্রবা ইম্ফাল ইষ্টকী কৈখুদগী স্কৱার্দন লিদর রিজৱান মালিকতদি মণিপুর লৈঙাক্না করিমত্তা পীররোইদ্রা

হুইয়েন ব্যুরো





স্কৱার্দন লিদর রিজৱান মালিক অমদি কেপ্তেন লালরিনোমা সাইলো

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :**
থা অসিগী ১৫ (ওগষ্ট ১৫, ২০২৫) ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংবগী চহী ৭৯লক শুবা কুমওন থৌরম নুমিৎতা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগীদমক্তা কথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা সর্ভিসশিংগী ওফিসর/পর্সনেলশিংদা গেলেন্টরি এৱার্দ পীননবা খনগৎপদা মণিপুরগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী কৈখুদগী ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী স্কৱার্দন লিদর রিজৱান মালিকতসু 'বির চক্র' পীরগনি হায়না লাউথোকখি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী সর্ভিস সেক্টরদা খ্বাইদগী ৱাংবা অহুমশুবা থাক্কী এৱার্দ অসি পীননবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী তোঙান তোঙানবা রেঙ্কতা লৈবা ওফিসর ৯গী মমিং লাউথোকপদা রিজৱান মালিককী মমিংসু য়াওরকখিবনি।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি নীংতম নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা থৌনা ফৰবগী মনাশিং পীগনি হায়দুনা লাউথোকপদা মরিশুবা পেরা সিক্যুরিটি ফোর্স (৪-পেরা এস এফ) তা কেপ্তেন ওইরিবা মিজোরামগী লালরিনোমা সাইলোদসু 'কির্ত্তি চক্র' পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখিবনি। ওফিসর/পর্সনেলশিংগী মনুংদসু মিজোরামদগী ওফিসর অসি য়াওরকখি।

অদুগা মিজোরামগী ওইনসু থৌনা ফৰা মথৌ পাঙথোকপগীদমক কির্ত্তি চক্র ফংলগদবা মীওই কেপ্তেন লালরিনোমা সাইলোনা ওইখি। প্রসিদেন্টনা লাউথোরকপদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কুম্বী কোলেজগী ৱাথোকশিংনা হায় কোর্টতা ৱায়েনবীয়ু হায়জরকপা লেপত্রি

# এম এল এ প্রেমচন্দ্র য়াওনা লৈঙাক্কী ওফিশল ২ অমসুং এল গোপালগী মথক্তা কন্টেম্পট পিটিশন ফাইল তৌরক্লে

### কোর্টনা রেস্পোন্দেন্টশিংদা চয়োল অহুমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :**
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম ওইরিবা কোলেজশিংগী মনুংদা মরু ওইবা কোলেজ অমা ওইরক্লিবা কুম্বীদা লৈবা 'কুম্বী কোলেজ' দা মণিপুর এদ্যুকেশন কোদ-১৯৮২না পীবা প্রোভিজনশিং খোঙ্গাওনরে হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌওংশিং চথরক্লে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎপদগী কোর্ট অসিনা ৱায়েল চথরগা পীরকখিবা ওর্দর/দিরেক্সন ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্লে হায়রদুনা কোলেজ অসিগী মায়কৈদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ২৯-কুম্বী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিগী বি জে পিগী এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্র য়াওনা লৈঙাক্কী হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেশনগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর অমদি এল গোপালগী মথক্তা সিভিল কন্টেম্পট অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

কোলেজ অসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা ৱাকৎ অদু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'রোল ওফ লেজিসলেটরস ইন টেক্লিং দি প্রজেন্ট ক্রাইসিস এন্দ ক্রাফটিং এ ন্যু মণিপুর' গী এসে কম্পিটিশন

### পীকখ্রবা মণিপুরগী ঈরাং লাকশিন্দ্রিবসি সেন্টরগী করম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈবনো : ও ইবোবী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা থোক্লিবা চহী অনী হেল্লক্লবা ৱাথোক অসি কনানসু থোকহন্নীংলম্লোই। ষ্টেট অসিগী ৱাথোকশিং অসিগী ৱাফম ঙাক্তা নত্তনা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও নৎত্রগা অনীশুবা লাঞ্জাওনচিংবসু লৈবাক অমত্তনা থোকহন্নীংলম্লোই। হৌজিকসু অহুমশুবা মালেমগী লাঞ্জাও থোরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা অমদি মীপাইবা লৈনরিবনি হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) গী লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি লোক সভাদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ওফিসনা শীন্দুনা 'দি রোল ওফ লেজিসলেটরস ইন টেক্লিং দি প্রজেন্ট ক্রাইসিস এন্দ ক্রাফটিং এ ন্যু মণিপুর' হায়বা টোপিকতা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরগী মীয়াম্না চহী ২০ হেন্না মশানা মশাগী ৱারী লীবা ঙমজদবসি য়াম্না নুংঙাইতে : ডা. বিমোল

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :**
মণিপুরগী লোক সভাগী ইন্নরগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ওফিসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা 'দি রোল ওফ লেজিসলেটরস ইন টেক্লিং দি প্রজেন্ট ক্রাইসিস এন্দ ক্রাফটিং এ ন্যু মণিপুর' হায়বা টোপিককী অহানবা ষ্টেট লেভেল এসে কম্পিটিশনদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা লান্থোকপগী থৌরমদা এম পি মশানা হায়, কুমজা ২০০১গী জুনদগী মে ৩, ২০২৩ ফাওবগী অসুক কুইরবা চহী ২০ হেনবগী মতমসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না মশানা মশাগী ৱারী লীবা ঙমজদবা অমসুং ষ্টেট অসিদা করিগুম্বা অহোংবা অমত্তা লৈতনা হামু-হামুদা অদুম লৈবগী ফীভমদা লৈরকপগী মওং তৌরক্লিবসি য়াম্না নুংঙাইতে। ঐখোয় মীওইবা অমা ওইনা




ইশাগী ৱারী লীবা ঙমজদবা অমদি ঐখোয়গী ৱাখলশিং ইশানা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### নহাশিংনা পোলিটিক্স মোৎলে হায়দুনা লাপ্না লৈবগী মহুত্তা য়াওশিন্দুনা অহোংবা পুরক্কদবনি : পি কে সংমা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :**
লমদমসিগী নহাশিংনা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিক্স অসি মোৎলে হায়না মসিদগী লাপ্না লৈবগী মহুত্তা পোলিটিক্সতা য়াওশিন্দুনা অহোংবা অমা পুরক্লবা ক্রিটিসাইজ তৌবগী রাইট লৈতে হায়না নেশনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী নেশনল ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইরিবা জেমস পি কে সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি এন পি পি য়ুথ ফ্রন্ট মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি




হোৎনগদবনি অমসুং পোলিটিক্স য়াওদনা পোলিটিক্সতা কোনুং মমাঙদা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামদা মণিপুরগী ১৩৯ শুবা রেঙ্কতা মায় পাক্লকখ্রবা আই দি পি মহৈরোয় ১ তরাম্না ওকখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):**
চুড়াচান্দপুরগী দি ফাইলেন লৈত্রাম লৈকায়দগী লান অসিনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেল্লক্লগা থাঙ্গ ৱাংমা হায় স্কুলগী সেদ্যুল্ড কাষ্ট গর্লস হোষ্টেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা তোংব্রম সিটলজিৎ (অপোকপা টি ইবোচৌ অমসুং অপোকপী মোইরাংথেম নিঙোল বিনা) না হৌদক পাঙথোকখিবা এন ঈ ঈ টি-য়ু জি এগজামিনেশনদা মণিপুরগী ওইনা ১৩৯শুবা রেঙ্কতা মায় পাক্লবদা রিলিফ কেম্প অসিগী কম্মিটিনা হোষ্টেল অসিগী ওফিশলশিংগা পূন্না মহাকপু তরাম্না ওক্নুনা পূক্নিং থৌগৎখ্রে।

মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবশিংনা মহাকপু অনা-অয়েক য়াওদনা মহৈ-মশিং মপূং ফানা তমদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবা ঙম্বা ওইয়ু হায়না থৌনিজখি।

থৌরম অসিদা টি সিটলজিৎনা এগজামিনেশন অসিদা মায় পাক্লবা হোৎনবদা মায়োক্লখিবা অৱাবশিং পাউদমখি। রিলিফ কম্মিটি, মণিপুরগী চীফ কোওর্দিনেটর থোইদিংজম বোন খুরাইনা মহাক্না এম বি বি এস তম্বদা চঙগদবা শেনফমশিং মণিপুর লৈঙাক্না পুথোকপীয়ু হায়নসু পূক্নিং চিংশিনখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### তংদু-লৈতাদবা, নুংশিনদবা ১সুং থাজনদবশিংগী মশক তাকপা লাইরিক ৪ ফোঙলে : রাধাকান্ত

### সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা দিরেক্সন পীবা ড্রামা 'নুংশি নাপ্পদা' উৎখ্রে




**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :** হৌজিক মণিপুরগী ফীভম অসি তংদু-লৈতাদবা অমসুং হোমলেস ওইবগী ফীভমনি। নুংশিনবা মাঙখ্রবা অমসুং অমগা-অমগা থাজনদ্রবা য়াওনা মচি-মচিদা হাৎন-শুনবা থোক্লিবশিং অসিগী মশক তাকপা লাইরিক মরি ফোঙলে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর ওইরম্বদগী পোত্থারবা কাংজম রাধাকুমার, আই এ এসনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়মদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### মপুরোইবনা মসজিদতগী হল্লকপদা দুকান ফমহৌবী মৌনহা ১ নুপা অমনা পুখিবদগী থিবা খঙদ্রে : মৈরা পায়বী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৫গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপা অদুৱাইদা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দগী সহিদ অহম্মদকী লোয়নবী এলাংবম লক্ষমি এলিয়জ অবেম (২৭) না মপুরোইবনা মসজিদতা চৎখিবগী খুদোংচাবা লৌরগা ক্ষেত্রি বেঙ্গুন অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা সিরাজ অহম্মদকী মচানুপা কৌসার এলিয়জ অকুবি (৩৪) গা লোয়ননা চৎখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপা নুমিৎ হুম্নি শুরে হায়রদুনা হয়েং ফাওবগী মনুংদা নুপী অসি লৈকায় মীয়াম অমদি মৈরা পায়বীদা শীন্নবীয়ু হায়না ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি নুংথিল প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায় মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট পেন্মা বেগমনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, সহিদ ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### দ্রগ স্মগ্লর ৩ ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):**
সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং ক্বাক্তা খুমন ৱার্দ নম্বর ৫দগী এম দি অরুব খান ইফম এলিয়জ খানশা (২৬) কৌবা দ্রগ স্মগ্লর অমা ক্বাক্তা শাবল লৈকায়দগী হিরোইন পাওদর গ্রাম ১১৩ য়াওবা সাপোন কেস ১০, ফোর হ্বিল্লর অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়না পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা ক্বাক্তা তেরাখোঙশাংবী কৈথেলদগী দ্রগ স্মগ্লরনি হায়বা ক্বাক্তা ৱার্দ নম্বর ৮দগী এম দি নাজেরউদ্দিন এলিয়জ বাবু ফিসুবম (৪২) অমসুং এম দি অলটাব খান এলিয়জ বোই মোইজিংময়ূম (৩১) কৌবা মীওই অনীসু ফারে হায়রি। মখোয়দগী সাপোন কেস ২২দা হাপ্লম্বা হিরোইন পাওদর গ্রাম ২৫৬, ফোর হ্বিল্লর অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনী ফাগৎলে হায়রি।

### পোজিটিভ কেস থেংনদ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):**
মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলক্লিবা লোয়শঙশিংগী ওফিশল অহুম্না ঙসি থাদোরকপা লায়না অসিগী ষ্টেটস অপদেটকী মতুংইন্না ঙসিগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ত অহুমদা অনৌবা সেম্পল ৬ টেষ্ট তৌখ্রবসু পোজিটিভ কেস অমত্তা থেংনদ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙরাংদগী লৈরকখিবা এক্টিভ কেস অমদুদি ঙসিসু অদুমক লৈরি। পনবা য়াবদি, জুন ১দগী হৌরদুনা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ কেস মশীং ৩৬১ থেংনখ্রবনি।

### কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি ১ ফারে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং সিক্যুরিটি ফোর্সনা লাইরেনকাবী অৱাং লৈকায় মমাঙ লৈরক্তগী য়ুম্নাম মিলনজিৎ (৩৩) কৌবা কে সী পি-পি দব্লিয়ু জিগী কাদর অমা ঘড়ী মখা লৈকায়দগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

### ইশাগী ইয়ূম-ইকৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীখ্রবসু অমুক হঞ্জিন্দুনা লৈবা ফংখিগনি হায়বগী ৱাখলদা য়ূম অমসুং চাকখুম ছো লোল্লম্বগী ছোজে হৌজিকসু মাঙহন্দ্রি

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**তোর্ব্বুং বাংলাদগী খুঞ্জা**

(ঙরাংগী মখা...)

মে ৩, ২০২৩দগী হৌজিক চহী ২ হেল্লক্লবা ফাওবদা মখা তানা তমথীরবা লান অসি থোরক্লরোই হায়বগী ৱারোইশিন পুরক্নুনা পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমদা লৈঙাক্না থম্বা ঙমদবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা তোর্ব্বুং বাংলাদগী লাঞ্জেল্লকখিবা চোংথাম ওংবী লনদোনি (৭০) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, তোর্ব্বুং বাংলাদা লৈবা মীতৈগী দুকান অমসুং য়ুমশিং থুগাই-য়ানখাইদুনা মৈ থাবা হৌরে হায়বগী পাউ তাবদগী নুমিদাংগী চাক-ঈশিং থোংননবা থৌরাং তৌরল্লবসু তোকথোক্নুনা য়ুম অমসুং চাকশঙ ছো লোনশিল্লন্নগা মোইরাং খুনৌ তম্না লাঞ্জেল্লকখিবনি। নুমিৎ অদুদা ঐগী ইমুংগী মীওইশিংসু মাগী-মাগী থৱায় হিংনবা চেন্নখিবনা হৌজিক চহী ২ হেল্লক্লবা ফাওবদা রিলিফ কেম্পতা ওইরবসু পূন্না লৈমিন্নবা ফংদ্রি। ইপুরোইবনা রিলিফ কেম্প অমদা লৈরি, ইচা-ইশুশিংনা রিলিফ কেম্প অমদা লৈরি। ইমুং অমগী মীওইশিংবু তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চাইথোক্লদুনা লৈনরকপা অসিনা পূক্নিং-ৱাখল অদুক্কী মতিক নুংঙাইফম খঙদে। অমুক্তং ইশাগী লৈহৌরিবা য়ুম অদুদা হঞ্জিলহনবীদুনা ইমুং-মনুং পূন্না হরাও-হরাও চাক চামিন্নবা ফংলবদি শিরবসু খুয়া তুশিংনা শিগদবা মাল্লে হায়রকখি।

### চহী ২ হেল্লক্লবা ফাওবদা হিংলিবা পূন্সি মহিং অসিবু করি কৌবগে, ইপুরোইবনা রিলিফ কেম্প অমদা লৈরি, ইচা-ইশুশিংনা রিলিফ কেম্প অমদা লৈরি, নোংমতং পূন্না চাক চামিন্নবা ফংলবদি শিরবসু খুয়া তুশিংকনি খল্লে

লান অসি হৌরক্তিঙৈগী মমাঙদদি ঐহাক লাই তোংবনা মরম ওইরদুনা লাই হরাওবগী থৌগল তৌবা চৎলি। লাই-তীলগী থবক থৌরমশিং চৎপা অমদি য়ুমদসু ইবুধৌগী লাইশঙ শাজদুনা চহী খুদিংগী পোইনুগী ২১নি পানবদা চাক্লোন কৎতুনা লাইগী থৌগল তৌদুনা খঙন-চান্নবা কয়া অমসু থৌনিমিন্নরগা নীংথিজনা লাইগী থৌগল তৌদুনা ঈংনা চিক্না অমসুং নুংঙাইনা লৈজরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐহাক্না লৈজরকপা য়ুম-কৈ অদুদা নত্তনা ইবুধৌগী লাইশঙ ফাওবা তুম্না তাঙ্গৈই ওনবমখৈ মৈ থাদোকপীখ্রে। (মথং-মথং)

### 'তুরেল অমনবী কনবা লূপ' শেমখ্রে লম খোপচিনবশিং তকথোক্নবা হোৎনরগনি



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ (ঐচএনএস):** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক্কী দিষ্ট্রিক্ত এদমিনিষ্ট্রেশনশিংনা মীয়ামগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা লম খোপচিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক চথরকপগুম্বা 'তুরেল অমনবী কনবা লূপ' না মরী লৈনবশিংগা খূৎশম্নদুনা তুরেল অসিগী মরীলদা লম খোপচিন্দুনা য়ূম কৈ শাজিল্লিবশিং তকথোক্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

নোং খজিক্তং চুবদা লৈরক-খুল্লক কয়া ঈশিং থুমজিল্লক্লিবা অসি মতিক চাবা দ্রেন লৈতবা অমদি তুরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫